১৮শুবা লোক সভা মীখল ঈংনা চত্থনবা শেল অমদি পৱার য়াওদনা পাঙথোকসি ঃ য়ু এফ পি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৪০ হেনবগী পূন্সি মহিংবু চহী ৫/৫ খুদিংগী হিমায় চুমদুনা পুগদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসি মুক্নবা অমদি হাৎনশুনবা, শেল অমদি শক্তি য়াওদনা পাঙথোকসি হায়রি।

য়ুনিভর্সিয়েল ফেমিলি পার্টি (য়ু এফ পি) গী প্রসিদেন্ট ঙাসেপ্পম নিলকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থোক্লক্লিবা মীওই খুদিংমক্না মীখল অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী শেল থাদবীগনু। পোষ্টর অমদি ফিরাল থেৎপা, মীফম ফম্বা, লাউ খোংবা, চাক পীজবা, শেঙ্গাও থাদরগা শেঙ্গাও তানবগী ৱাখল থাদোক্তুনা ইংনা চিক্না মীখল থেংননবা হোৎনসি।

লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্নসু মীখল অসিদা মীহুৎ ওইনবা থোরক্লিবা মীওইশিংদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী কান্নবা লৌরোইসি। চহী ৫ অসিগী পূন্সিরোলবু নীংথিনা য়েংশিনবীগদবা মীওইদা অদোম অদোমগী চহী ৫ গী মমল য়াম্লবা মীহুৎ খনবগী হক অদু শিন্নরসি।

লৈবাক অসিগী নীংতম্বা চহী ৭৭ শুরক্লবা ফাওবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লোক সভা, রাজ্য সভা অনীগী মীহুৎ ওইনা চহী ৫/৫ গী ওইনা লৈবাক অসি ঙাকপী শেনবীদুনা লাক্লি। অদুবু লৈবাক ঙাকপগী মীংদা অচৌবা পার্টিশিংনা অপিকপা পার্টিশিং কোনশিন্দুনা মখোয়গী শক্তি পায়শিন্দুনা মখল কয়াগী শেন্দালম্বী চত্থরি।

এম পি শিংনা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৪০ হেনবদগী খোমগৎখিবা মখল কয়াগী টেক্সতগী থাদরকখিবা চাকথুংশিং অদোমগী করম্বা এ সিদা, খুঙ্গংদা অমদি করম্বা মীওইদা করম্বা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নখি হায়বা খঙহনখিদে। কনাসু মসিগী মরমদা থীগৎতুনা খঙনবসু হোৎনখিদে। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল অসিদদি এম পি ওইরক্কদবা খুদিংমক্না চহী ৫ অসিদা অদোম অদোমগী খুত্থাংদা লাক্কদবা প্রোজেক্টকী শেনফমশিং মীয়ামদা উৎপীয়ু।

অদোম্না কোল্লিবা লৈকায় খুদিংদা লৈরিবা ভোটর অমদি মীয়াম খুদিংমকপু চাকথুং ফীথুং মান্নবা অনৌবা পূন্সি মহিং অমদা হোংদোক্লবা হোৎনরসি। অদোম্না লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহল্লসি। এম পি গী খুত্থাংদা লাক্কদবা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী শেনফমশিং অদোমগী ইচা-ইশুশিংগী শেনফম ওইহনগুমসি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা চহী ফাজি লল্লক্লবা মণিপুরগী কাংলুপ অনীগী থাজনদবদগী থোক্লক্লিবা হাৎনশুনবা অসি পোলিটিকেল ওইবা ক্রাইসিস ওইবনা ৱাথোক অসি লাক্লিবা ১৮ শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী মমাংদা চীং-তম অনীগী লৈরিবা এম এল এ ৬০ না পি এম ও ওফিসতা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু।

চীং-তম অনীগী লাঞ্জেন্নরিবা খুদিংমক মশা মশাগী খুঙ্গংশিংদা হঞ্জিলহনবীদুনা ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসি তংদুলৈতানা পাঙথোক্লবা হোৎনসি। খোয়শাওনরবা খুল ঙাক্লিবা লমদম অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরিবা নহা লিশীং কয়াগী পূন্সি মাইকৈ চুম্না পুননবা পাল্লিবা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক অনীনা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়রি।

য়াইফ পাউজেলগা লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহি মপাউ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : থা খুদিংগী মীতৈ থপালোনদা পুথোকপা লাইনিংথৌ সনামহি মপাউ অনৌবা চহী শজিবু থাগী ওইনা ঙসি ফোঙখ্রে। লমদমসিদা নুংতিগী ফোঙলিবা পাউ-চে পুরিবা মণিপুর হোকর এসোসিয়েসনগী খুত্থাংদা য়ুমথোং খুদিং য়ৌহন্নবা ঙসি খুৎশিন্নবগী থৌরমদা হোকর এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি লাইখুরাম সুর্জিৎনা শজিবু নোংমা পানবা, মালিয়াফম পালচা ৩৪২২ না লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ইংতপ্পা মরা তপ্পা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

চৎলিবা থা অসিগী ৯ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎকী মাংজৌননা লাইনিংথৌ সনামহিগী মপাউ অসি মীয়ামদা য়ৌহনবগী মতাংদা মহাক্না হায়, চহী হৌবা শজিবু নোংমা পানবগা মরী লৈননা লাইফম ৭ তগী ঈরু ঈশিং অমদি লৈশা মীয়ামদা ফংহন্নবা নোংমা পানবা চৈরাওবগী লাইশোনশিং পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

থা খুদিংগী লেপ্তুনা পুথোক্লিবা সনামহি মপাউ অসি মীয়াম্না হেন্না পাম্নরকপা অমদি কান্নবা খঙলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দপুসু মহাক্না থাগৎখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যাপতি শেঞ্জম, মেম্বর সেক্রেটরি মাইস্নাম শিবদত্ত লুৱাং অমদি হোকর এসোসিয়েসনগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ইম্ফাল ইষ্টকী ভেটিরিনরি ওফিসার ডা. নিঙোম্বম ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা সোসিয়েল ৱার্করস কোংগ্রেস খোংমননা ক্লব অসিগী কম্যুনিটি হোলদা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না হুই অমদি হৌদোং ১১০ দা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকখি। পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিবু মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকী থৌমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এম এস এফকী য়ুনিট কম্মিটি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ময়ায় লোয়শঙগী সেক্রেটরি খাইদেম রবিকান্তা খাঙানবনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা লূপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অনীগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাই খুম্বী হায়স্কুলগী এম এস এফ য়ুনিট কম্মিটি অমা হাংদোকখ্রে হায়না এম এস এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিট কম্মিটি হাংদোকপগী মীফম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোনিয়া, জেনরেল সেক্রেটরি নিংথৌজম সনাথোই, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি প্রাকাশ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি মিরান্দা অমদি ৱিমেন এফেয়রসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি বেনালিশসু শরুক য়াখি।

এম এস এফ না মহৈ-মশিং তম্বগী কাংলোন্দা হেন্না মপুং ফাবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল লৌশিং ফংহন্নবা অমদি লূপ অসিগী মসামরেং পাকথোক চাউথোকপগী শরুক অমা ওইনা কম্মিটি অসি ফোর্ম তৌখিবনি হায়রি।

কম্মিটি অসিগী খল্লবা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টদা সিনাম তাইতল মৈতৈ, ভাইস প্রসিদেন্টদা সোরোকখাইবম য়োহেনবা, শগোলশেম রবিকান্তা, তখেল্লম্বম থোইবা নি। জেনরেল সেক্রেটরিদা থিঙুজম সুরেশ, জেইন্ট সেক্রেটরিদা সাপম নিলাকান্তা, মোইরাংথেম রোবার্টসন নি। ফাইনান্স সেক্রেটরিদা থাংজম লেম্বা, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সিঙ্গামযুম রেষ্টা, চিংশুবম লেম্বা নি। ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা মাইবম বোয়নাও, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা য়াঙম্বম দিক্সন, ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরিদা মাইবম প্রামেশ্বরি, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরিদা এলাংবম ময়ালক্ষ্মী, সঙুবম পুস্পা অমদি সিঙ্গামযুম রুকৈয়ানা ওইরগনি। পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইগজিক্যুটিভ মেম্বর ৩২ সু খনখি হায়রি।

মৈতৈ/মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চন্নবা হোৎনবনা অহানবা থৌদাং ওইগনি ঃ সরত

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা ৱাঙ্খেম তোকপম লৈকায়দগী কর্নেল হাওরুংবম সরতকা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সি এম) গী থৌমীশিংনা পাউমীশিংগা লোয়ননা উন্নবা অমদা মহাক্না মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা অথুবা মতমদা চন্নবা হোৎনবা হায়বসিনা অহানবা থৌদাং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৫৫ দা মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্ননবা থবক পায়খৎলম্লবসু মতম অদুগী অহল-লমনশিংনা মীৎয়েং শান্নাউবা ঙমহৌদবদগী এস টি লিষ্টতা চনবা ঙমদনা লৈহৌরিবনি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংনা মৈতৈ/মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা হায়বসিদা করি ফিরেপ লৈবগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা এস টি দি সি এম না মীরেপশিংদা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা এস টি দি সি এমগী মরুওইবা থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

চৈরাওবগী ঈরু-ঈশেং ফংহল্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : চহী খুদিংগী ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফমনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী লাইফম ৭ কী অমসুং কৌব্রু চিংদোলগী লাইনিংথৌ সনামহিগী শেংলবা ঈকোনগী ঈশিং য়াওরগা পুন্না লাইফম ৮ গী ঈরু-ঈশেং মীয়ামদা ফংহঞ্জদুনা লাকপা অদু চহী অসিগী ওইনদি অখন্নবা মফম খরদা ফংহল্লগনি হায়না উত্র শঙলেন সনাকোনুং অমদি ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঈরু-ঈশেং অসি উত্র শঙলেন সনাকোনুং, ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফম, হেদক্বার্টর লমশাং; ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফম সিটি ওফিস তেরা খুরাইজম লৈকায়, নাওরেমথোং ইপা থৌকোক ক্লব, ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফম কুম্ব্রহুমদোই শুবা লোয়শঙ, মৈত্রম; থাঙ্গা লোয়শঙ ইন্টরনেসনেল সলাই পূন্সিফম, থাঙ্গা; উৎলৌ কাংজৈবুং মনাক, সিনাম মিরেল; লমাদোং ফার্মাসি বিষ্ণুপুর, থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায় (ৱাই কংলৈমা, ৱাই নোংদমলেন), শগোলতোংবা কৈথেল, খাবম বমদিয়ার, নম্বোল খোরিফাবা লাইনিংথৌ মনাক, সলাই পূন্সিফম খুরাই লোয়শঙ, খুরাই কোন্সম লৈকায়, য়ুরেম্বম মনিং লৈরক ইকোন মপান, সলাই পূন্সিফম ইরম সিফাই লোয়শঙ হায়রিবা মফমশিং অসিদগী ফংগনি হায়রি।

য়ু এম ও গী শজিবু খুদোল তম্বা পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা শজিবু খুদোল তম্বগী থৌরম হন্দক চহীগী ওইনা লৈবাক্কী ইরাং লৈবনা মরম ওইরগা থৌরম অসি পাঙথোক্লরোই হায়না য়ু এম ও গী ময়ায় লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সোরোজিনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদমসিদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈতৈশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে। মসিদা নত্তনা ময়ুম মকৈ মৈ তুম্না থাখিবদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা অৱা মৈশা খাঙদুনা লৈরি। মীওই কয়াগী পূন্সি মাংবখক্তা নত্তনা মীওই কয়া অমনা থীবা খঙদ্রি। মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসিদা য়ু এম ও না শরুক য়াবা ওইনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা য়ু এম ও না শজিবু খুদোল হায়না মীংথোলদুনা লমদমসিগী পারীশিংদা খুদোল তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লরোই হায়বগী ৱারেপ লৌখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, অরিবা চহীনা চৎখিবদা লমদম অসিদা তংদু লৈতাদনা লৈরিবা অৱা অনা তারিবা খুদিংমক চহী অসিনা চৎখিবদা পুথ্রসনু অনৌবা চহীনা লাকপদা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা, মরা চেৎপা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা লমদম অমা ওইরসনু হায়না য়ু এম ও গী প্রসিদেন্টনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পনবা য়াবদি থা ১২ চংশিল্লক্লবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা য়েলহৌমী মীতৈ ফুরুপকী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্ল খিদ্রবনি। অদুগা হন্দক চহীগীনা য়াওশঙ কুম্হৈ পাঙথোকখিদ্রবনি।

[illegible]

[illegible]
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT
Our Students Shine again in JEE MAINS (Jan session) 2024 with Highest Score of 98.14%ile
15 out of 19 Students Score more than 80%ile
5 Students Score 90%ile and above.
Our Results in JEE MAINS and Advanced IIT in 2023
AYEKPAM LANKHONBA 98.18%ile (State Topper) NIT Calicut
HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI IIT Kanpur
NINGTHOUJAM AANGANBA IIT Patna
REGISTRATION OPEN NOW
Crash Course and Mock test Series for JEE MAINS : April Session
Commencing from 8th March 2024
Special course for JEE advanced IIT 2024
For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
HL-B/8593/1,3,5_Alt.

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. Police Recruitment 2024.mahait.org (17471 Constable Posts) Apply Online
Maharashtra State Police has published recruitment notification of Total 17471 Vacancies of 9595 Police Constable , 1686 Police Constable Driver, 1800 Jail Constable, 4349 Armed Police Constable, and 41 Police Constable Bandsman posts in Maharashtra State Prison Department. Eligible Interested candidates should apply online for Maharashtra Prison Department Jail Constable 2024 through Official Online Portal policerecruitment2024.mahait.org from 5th March 2024 to 31st March 2024. The last date for submission of application is extended up to **15th April 2024**.
Eligible candidates should apply online for Maharashtra Police 17471 Constable Posts through policerecruitment 2024.mahait.org

……

2. SSC JE Exam 2024, 968 Posts, Notification, Application Form
SSC JE Notification 2024 Pdf, Apply Online Link, Vacancy, Exam Date, Age Limit, Qualification and Full details available in the page. The Staff Selection Commission offers a great career opportunity for Fresher Engineering Graduates and Diploma Engineers for selection of Junior Engineers various Ministries, CWC, CPWD, Departments of Posts, MES, Farakka Barrage Project, BRO, CWPRS, Naval and NTRO Organizations of the Central Government of India. The SSC Junior Engineer posts are Group 'B' (Non-Gazetted), in Level-6 (Rs 35400-112400/-) of pay matrix of 7th Central Pay Commission.
The SSC will hold an open competitive computer based examination for recruitment of Junior Engineers (JE) posts in various Central Government Organization / Department Vacancies in 2024-25. The last date for registration of SSC Junior Engineer 2024 is **18th April 2024**.
* Eligible candidates are required to be submitted in online mode only at SSC Official website (**ssc.gov.in**).

……

3. DSSSB Advertisement No 06/ 2024 Apply Online | 414 Pharmacist, Nurse, Driver, Technician Posts
DSSSB Advertisement No.06/2024 Combined Examination for recruitment to the post of Lab Technician, Pharmacist, Junior Pharmacist, Draftsman Grade III, Store Keeper, Store Supervisor, Auxiliary Nurse Midwife, Assistant Sanitary Inspector, Driver, Staff Car Driver (Ordinary Grade), Driver (LMV) and Staff Car Driver positions in various departments. The DSSSC Vacancy Notice Advt No. 06/2024 online registration made through dsssbonline.nic.in from 21st March 2024 to **19th April 2024**.
* Eligible candidates can apply online through the DSSSB Online Portal (dsssbonline.nic.in)

……

4. UPPSC Recruitment 2024: 2535 Vacancies, Eligibility, Online Form, Notice
UPPSC Notification 2024 Free Job Alert for both Male and Female Indian Citizens. The UPPSC (Uttar Pradesh Public Service Commission) has released the Recruitment Notification for 2024. This notification is open to both fresher and experienced graduates, medical graduates, engineers, ITI, diploma holders, and candidates with a 12th pass qualification, offering positions in various government departments and services across the state of Uttar Pradesh.
Uttar Pradesh Public Service Commission (UPPSC) is hiring for 2535 positions in the Medical Officer Grade II, Prohibition and Social Uplift Officer, and Regional Tourism Officer/Publicity Officer roles. They're looking for eligible Indian citizens to apply online. You can register on the UPPSC official website (**uppsc.up.nic.in**) starting from March 15, 2024. The deadline for applying online is **April 16, 2024**.

……

5. OSSSC Teacher Recruitment 2024, 2629 Vacancies, Notification, Apply Online
OSSSC Teacher Vacancy 2024 Short Notification Out on 11th March 2024. The Odisha Subordinate Staff Selection Commission (OSSSC) invites online applications from eligible candidates for filling up of 2629 District Cadre posts of Teachers in TGT (Arts), TGT (Science - PCM), TGT (Science - CBZ), Sanskrit Teacher, Hindi Teacher, Physical Education Teacher (PET), Tribal Language Teacher and Sevak / Sevika in Government Schools under SC & ST Development, M & BCW Department.
The OSSSC Teacher Recruitment 2024 Online Registration will be available in the web portal of the Commission (**www.osssc.gov.in**) from 1st April 2024. The last date for registration of online applications is **25th April 2024**.

CROSSWORD-4101



ACROSS

1. Least possible quantity(7)
5. Quoted(5)
8. Cringe(5)
9. Former prince of Monaco(7)
10. On the way(2,5)
11. Enquired(5)
12. Nose (slang)(6)
14. Affix(6)
18. Leader(5)
20. Type of lettuce(7)
22. Ancient Egyptian king(7)
23. Type of steak(1-4)
24. Beverage(5)
25. Blows with the fist(7)

DOWN

1. Shakespeare's Scottish play(7)
2. More recent(5)
3. Large tent(7)
4. Homicide(6)
5. Asian country(5)
6. Flow slowly(7)
7. Ventured(5)
13. Japanese art of paper folding(7)
15. Lancashire city(7)
16. Stray from the subject(7)
17. Chess piece(6)
18. God of love(5)
19. Candid(5)
21. Historical era(5)

Solution of 4162

A	T	T	A	C	K	■	N	I	C	K	E	L
D	■	A	■	A	■	■	■	N	■	N	■	I
D	I	N	E	D	■	C	Y	C	L	I	N	G
I	■	T	■	D	■	A	■	I	■	F	■	H
C	A	R	R	Y	O	N	■	S	W	E	A	T
T	■	U	■	■	■	N	■	O	■	■	■	S
■	■	M	A	R	D	I	G	R	A	S	■	■
P	■	■	■	E	■	B	■	■	■	T	■	P
H	A	L	T	S	■	A	S	A	R	U	L	E
O	■	A	■	I	■	L	■	L	■	C	■	N
B	E	S	I	D	E	S	■	T	A	K	E	N
I	■	S	■	U	■	■	■	E	■	U	■	E
A	D	O	R	E	D	■	T	R	I	P	O	D

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5461

9					4	3	8	
	8				2			5
			1					
	3	6	8			2		
		1		9		4		
		9			5	8	6	
					6			
3			7				2	
	4	2	9					8

Solution of 5460

6	4	8	9	1	3	2	7	5
5	2	7	6	4	8	9	1	3
3	9	1	7	5	2	6	8	4
1	8	5	2	3	4	7	6	9
7	3	9	1	6	5	8	4	2
2	6	4	8	9	7	3	5	1
8	5	6	3	2	1	4	9	7
9	1	2	4	7	6	5	3	8
4	7	3	5	8	9	1	2	6

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



[illegible]
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম


ৱাইখোংলাকপদু পরপ-পরপ কংলা তন্না লাক্লম্মী।
শুগুনুলাকপসু লম্বেন্দা লাকপা উরম্মী।
ইতাও শুগুনুলাকপা কদোমদনো ইফিং-ফিংনা চৎলিবদুবো?
ইতাও শুগুনুগী তুরেলদু ঈ ওইনা চেক্লেনে, লাইয়েৎপা য়াওরেনে।